ওল ইন্দিয়া চিলদ্রেন এদ্যুকেসনল ঈ-কন্টেন্ট কম্পিটিসন ২০২৩-২৪ দা এৱার্দ ফংলক্লবশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

স্কুল ওফ এদ্যুকেসনল টেক্নোলোজি (সেট) ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন, খা নাওরেম লৈকায় কাঞ্চিপুরনা হৌখিবা মার্চ ১৫ অমসুং ১৬তা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন, শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া চিলদ্রেন্স এদ্যুকেসনল ঈ-কন্টেন্ট কম্পিটিসন ২০২৩-২৪দা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ ৫ ফংলকপগীদমক মরী লৈনবশিংবু তরাম্না ওকপা থেঙ্কস গিভিং প্রোগ্রাম টু এৱার্দ ৱিনর্স ঙসি ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসনগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পাউনম হরিচরন সিনিয়র এদভোকেট মণিপুর হায় কোর্ট, ডা. আর কে বিজেন প্রিন্সিপাল আই আই ঈ, দিলিপ ময়েংবম রিটাইয়র্দ দিরেক্তর জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমসুং বিরেন্দ্র সলাম ফোর্মর দিরেক্তর মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা অখন্নবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসনগী মখাদা লৈবা স্কুল ওফ এদ্যুকেসনল টেক্নোলোজি (সেট) না থাগৎখিবা ওদিও অমসুং ভিদিওশিংদা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা এৱার্দ মঙা ফংলকখি। এৱার্দশিং অদুদি ওলেম্পিয়ন নামৈরাকপম কুঞ্জরানি, ফিদম্নিংঙাই ওইরবা ওজা, হোৎনবা কনবী, কুমারী খাইদেম প্রমোদিনী, জাতিগী ফিরাল অমদি ওজাগী নুমিৎ হায়বা ওদিও ফিচরশিংসিদা বেষ্ট প্রদক্সন এৱার্দ ফংলকখি।

থাংজিং হায়না মিংথোনবা দোক্যুমেন্টরি ভিদিও অসিদা বেষ্ট প্রদক্সন এৱার্দ ফংলকখি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিপ্ট রাজেন সরাংথেমনা ইবনি। ফিল্মসিদা শগোলশেম ধনজিৎনা বেষ্ট কেমেরা এৱার্দ ফংলকখি। ওদিওগী বেষ্ট স্ক্রিপ্ট এৱার্দ ফংখ্রবা ফিচর ওজাগী নুমিৎকী অইবা পি ঐচ ব্রজমুহিনিদা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট এৱার্দসু পীরকখি। ফিদম্নিংঙাই ওইরবা ওজা ফিচরসিদা বেষ্ট ভোইস ওভর এৱার্দ ডা. টি সুনিতিবালা চনুদা পীরকখি। লোয়ননা ওলেম্পিয়ন নামৈরাকপম কুঞ্জরানি দেবী হায়বা ফিচর অসিদা বেষ্ট প্রদক্সন এৱার্দ ফংলকখি।

ঙসিগী এৱার্দ ফংলক্লবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা দিলিপ ময়েংবমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মালেমগী ওইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ওইনসু হোংলক্লিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমসিদা ক্লাসরুমদা ওজানা টেক্সবুককী পারাশিং তাকপগী মথক্তা পারাশিংদুগা মরী লৈনবা নৎত্রগা পারাশিং অদুম্মক ওদিও অমদি ভিজ্যুএল টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিংদা তাকপীবা মথৌ তারক্লি। হীরমসিদা স্কুল ওফ এদ্যুকেসনল টেক্নোলোজি ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন্না মায় পাক্না চঙশিল্লক্লিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়খি।

মীতৈ ময়েক্কী এম এম দিপ্লোমা কোর্স হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

মীতৈ ময়েক রিছার্স সেন্টর (এম এম আর সী) মালোমনা দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ এন্দ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী থৌরাং মখাদা মীতৈ ময়েক্কী দিপ্লোমা অমসুং সর্টিফিকেট কোর্সশিং চৎলিবা এপ্রিল থা অসিগী ১৫দগী জিরিবামদা লৈবা কষ্টুরবা গার্লস স্কুলদা চত্থবা হৌরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি হৌখিবা মার্চ ২০দা এম এম আর সীগী ইগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মীতৈ ময়েক্কী কোর্সশিং অসি জিরিবামগী কষ্টুরবা গার্লস স্কুলদা চত্থবা হায়না স্কুলসিগী ওথোরিটিশিংগা য়ানরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপ্পি হায়না এম এম আর সীনা ফোঙদোরক্লি।

ধোল-ধুলোক চোলোম উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

একাদেমী ওফ কলচরেল রিছোর্স এন্দ ত্রেনিং (এ সী আর টি), নেপ্রা কম্পেনিনা শীল্লগা ঙসি নেপ্রা কম্পেনি প্রাইমারী স্কুলদা নোংমগী ওইবা ধোল-ধুলোক চোলোম উৎখিবগা লোয়ননা হীরমসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ রমঞ্জিৎনা ধোল-ধুলোক চোলোম উৎখিবা এ সী আর টিগী মহৈরোয়শিংদা সর্টিফিকেট পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা একাদেমীসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। একাদেমীসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সগোলশেম সিংহজিৎনা ঙসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা চোলোমশিংসি উত্তুনা খঙহনবগী তঙাইফদবশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

নোংচুপ লৈহৌচীং চীংগোই ঈরুপ্পা ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

উমংলাই ঙাকশেন লূপ, সোনাই, কছারগী প্রসিদেন্ট খোমদ্রাম বুধচন্দ্র অমদি জেনরেল সেক্রেটরি হাওরোংবম রাজমনি অনীনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা কুমওন খূদিংগী পাঙথোকপগুম চৎলিবা কুমজা অসিগী ওইনসু লমতা থাগী ২৮নি পানবা নোংমাইজিং খৃষ্টকুম ২০২৪গী এপ্রিল ৭তা নোংচুপ লৈহৈচীং (ভুবোন) চীংগোই ঈরুপ্পা অমদি অনম-অথৌ কোকথোক-চামথোকপগী ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসি মৈতৈশিংনা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী কুমজা খূদিংগী লেপ্পা লৈতনা চত্থদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা শেংলবা থৌরমসিদা ইচিল-ইনাও খিবিক্লা লাকপীদুনা ঈরাৎ-থৌনি থৌরমসিবু মপুং ফাহনবীরনবা উমংলাই ঙাক শেনলূপকী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, থৌরমসি চহী অমত্তং হেক লেপখিবদা অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওইশিংনা লৌশিনখিদুনা মখোয়না পাঙথোক্লবা থৌরাং কয়া অমা উদবসু নত্তে। মরম অদুনা মালেমসিদা লৈরিবা মৈতৈ খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা শেংলবা লাইফম্লেনসিদা লেংবীরক্লগা থৌরমসি পাঙথোকমিন্নসি। থৌরমসিদা মহারাজ বোধচন্দ্র নীংশিং শঙলেনগা শম্মনা লৈরিবা চীংজেল নারল পাঙনবগী খুভমদসু অনা-অয়েক কোকচনবা, চাদা-নাওদা ফংজনবা হৈরাং-লৈরাং কৎপীরম্ন বসু উমংলাই ঙাক শেনলূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চহী ফাদ্রিবা অঙাংশিংগী

খ্বাইদগী ফবা চীঞ্জাক্তি মমাগী খোল্লাংনি হায়বসি কাউরোইদবনি

ঐখোয় মীওইবনা মতম পুম্বদা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈবা পাম্মী। অদুবু নুপা নুপী অনীনা য়ুম্বানবগী মরীদা চঙশিল্লবা মতুং ইশাদগী হেন্না ঐখোয়গী ইচাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং কয়া থমদুনা থবক তৌবা হৌরকই। মমা ওইগদৌরিবী অদুনা মীরোল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অদুবু মশা মউ ফনবনি হায়দুনা অফবা মখলগী চিঞ্জাক কয়া পীজদুনা নাউপূরিবী মমা অদুবুসু মশা মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। অঙাং পোল্লবা মতুংদসু অঙাং অদুবু নাদনবা হায়দুনা মখল মখা কয়াগী চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক পায়খৎনরিবা ঙাক্তনি। অফবা মখলগী চীঞ্জাক কয়া মমাদা পীজদুনা অঙাং অদুবু কুপ্না শেন্নরি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হান্নমা শেম শারবা চীঞ্জাকশিং ঐখোয়না ঐখোয়গী পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংদা পীজবা হেক হেক থেংনৈ। পীজরিবা অদু অঙাং অদুগী খল্লগা পীজবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইরগা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা চীঞ্জাক অসি হান্না শেমদোক শাদোক্তুনা কৈথেলদা য়োল্লিবা চীঞ্জাক অদুবু খন্নরকই। মসি অরানবনি। পোকপা কুইদ্রিবা চহী ফাদ্রিবা মরুওইনা থা তরুক ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা চীঞ্জাক্তি মমাগী খোল্লাংনি হায়বসি ঐখোয়না মতম পুম্বদা নীংশিংগদবনি।

মমাগী খোল্লাংদা কান্নরবা মচল কয়ামরুম য়াওই হায়বসি পুম্নক্না খঙনরবা ৱাফমনি। এন্টিবোদি মরাং কায়না য়াওবা খোল্লাং থকপনা অঙাংগী ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবগা লোয়ননা ভাইরস অমদি বেক্টেরিয়াশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী। থা শুদনা পোকপা অঙাংশিং ন্যুরোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মদুনা মরম ওইদুনা তুংগী পুন্সিদা সাইকিয়াট্রিক দিসওর্দর ওইহল্লকপা য়াই। অদুবু থা শুদনা পোকপা অঙাং ওইরবসু হেক পোকপগা মতম খরা মমাগী খোল্লাংতমক পীথকপা তারবদি রিস্ক পুম্নমক হন্থরকই হায়বা রিছার্চরশিংনা খঙবা ঙম্লে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা সেন্ট লুই চিলদ্রেন্স হোস্পিটালগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদা খোল্লাং পীথকপা মতমদা মপুং ফানা ব্রেন দিভেলপ তৌরকই। অপোকপী মমা নৎত্রবসু অতোপ্পা লন্নানবী নুপী অমগী খোল্লাং পীথকপা মতমদা চপ মান্নবা মওংদা কান্নবা ফংই। সেন্ট লুই হোস্পিটালদা থা শুদনা পোকপা অঙাং ৭৭ কী মরমদা কুপ্না য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লিনিকেল সিনিয়র লেকচরর ওয়েকায়ো এয়োনরিন্দেনা লুচিংদুনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি নুপী ওইবীশিংনা বোদি মাসইন্দেক্স (বি এম আই) চপ চানা থন্থবগা লোয়ননা অঙাং উনরবা মতুংদা থা ৬ শুংশোয় শোয়দনা অঙাংদা খোল্লাং পীথকপা তারবদি অঙাং অদু চাউরক্লগা লিভর নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে। মীরোল্লমদাইদা বি এম আই চপ চানা থল্লবদি নন-অলকোহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি) গীরিস্ক চাদা ৫০ রোম হন্থহল্লি হায়বসু খঙলকখি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা অঙাং হেক উনবগা অঙাং অদু থা ৬ ফাওবা খোল্লাং পীথকপা তারবদি এন এ এফ এল দিগী রিস্ক শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থরকই হায়রি। এন এ এফ এল দি হায়বসি য়ু থক্তুবসু লিভরদা ফেট মপং-মপং পৈশিল্লকপগী থৌওংবুনি। থৌওং অসিনা লিভর ফাইব্রোসিস ওইহল্লক্তুনা কনাগুম্বা খরদা সিরোসিস তৌহল্লকপা য়াই। পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংগী মফমদদি মমাগী খোল্লাংদগী হেন্না ফবা অতে অতোপ্পা চীঞ্জাক অমত্তা লৈত্রে। মরম অদুনা অহানবগী থা ৬ ফাওবদি তঙাইফদনা মমাগী খোল্লাংতমক পীথক্কদবনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ১৭ শুরবা মীওই ১,১৭০ গী মরমদা কুপ্না থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি স্পেনগী বার্সেলোনাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল লিভর কোংগ্রেসতা পুথোরকখিবনি। কনাগুম্বা মীওই অমা হকচাংগী অরুম্বা হেনবা হায়বসি মমাগী খোল্লাংদা কান্নদবা কার্বোহাইদ্রেট চাং ৱাংনা য়াওবদগীনি হায়বসু অতোপ্পা ষ্টদি অমদগী খঙলে। অতোপ্পা ষ্টদি অমদা করিগুম্বা মমানা নোয়রবদি মচাসু নোয়রকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বসু খঙখ্রবনি। অদুবু মতৌ করম্না মমাদগী মচাদা অনোয়বা খুদোল তন্নিবনো হায়বদুদি সাইন্টিষ্টশিংনা খঙবা ঙমখিদে। য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদর্ন কেলিফোর্নিয়াগী কেক স্কুল ওফ মেদিসিনদা লৈবা মাইকেল গোরাননা হায়খি, মমাগী খোল্লাংদা য়াওবা হ্যুমেন মিল্ক ওলিগোসকরাইদস (ঐচ এম ও) কৌবা কমপ্লেক্স কার্বোহাইদ্রেটশিংনা মরম ওইরদুনা অঙাং অমবু হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেলহনবনি।

মমাগী খোল্লাংদা য়াওবা ঐচ এম ওনা অঙাংগী ইম্যুন সিষ্টেম শেমগৎপদা মতেং পাংই অদুবু চাং কা-হেন্না য়াওরবদি অঙাংগী হকচাং কা হেন্না নোয় অমসুং লুম্মী। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ন্যুট্রিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না মমাগী খোল্লাংদা তোঙান তোঙানবা সুগর মোলিক্যুল ২০০ রোম য়াওই হায়রি। হায়রিবা সুগর মোলিক্যুলশিং অসিনা অঙাংগী ইম্যুন সিষ্টেম শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি মমাগী খোল্লাংদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা হীদাক অমা লৈত্রে। কনাগুম্বা অঙাং অমা শঙ্গোম পাউদরনা য়োকপা তারবদি ইম্যুন সিষ্টেম শোনবা মরম্না তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটালদা এক্সিলেন্স ইন নর্সিং প্রক্টিস পীরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

অমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল শজিৱা খাবৈশোই ইম্ফাল ইষ্টকী নর্সিং টিমদা এসোসিএসন ওফ হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর্স ইন্দিয়া (এ ঐচ পি আই)না কুমজা ২০২৪গী ওইনা এক্সিলেন্স ইন নর্সিং প্রক্টিসেস এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলক্লে হায়না এ ও আই ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটালগী মার্কেটিং হেদ গোপেন তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ অসি অদু গুজরাতকী গান্ধীনগরদা পাঙথোকপা লেমজ নিংঙাই ওইরবা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকসিদা লৈবা হোস্পিটাল ৪০০না শরুক য়াখি। এৱার্দ অসি ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটালগী ষ্টাফ নর্সশিংনা কথোকপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থবকশিং অমদি মখোয়না অনাবশিংগী থৌগল তৌবদা অখাঙ কনবগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা অখন্নবা মথৌশিংগীদমক পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পীরকখিবনি। এৱার্দ অদু পীরকপগীদমক ডা. ধনবির থাংজম কন্সল্টেন্ট ওনকো সর্জন্টনা এসোসিএসন ওফ হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর্স ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কলচরেল প্রমোটিং ফেষ্টিভেলগী ১০ শুবা ইদিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচ এন এস) :

কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) মণিপুরগী সেক্রেটরি থৌনাওজম প্রেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মমাঙগী চহী খরদগী লেপ্তুনা লমদমসিগী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা তাঙ্গলবা আর্টফোর্মকয়াবু য়োকখৎনবা পান্দমদা পাঙথোরকখিবা কলচরেল প্রমোটিং ফেষ্টিভেলগী ১০ শুবা ইদিসন লাক্লিবা মে ২দগী ৭ ফাওবা নুমিৎ ৬নি চুপ্না মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী ওদিটোরিয়ম, য়াইস্কুল পুলিসলেন ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা পাঙথোকপা কলচরেল ফঙ্কসন্স এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিম ২০২৩গী মতেংগা লোয়ননা 'টেন্ট ফেষ্টিভেল ওফ ফোক নেরেটিভ আর্টস এন্দ কংলা থিয়েটর মরাথোন ২০২৪' হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসিগীদমকলমদমসিদা লৈরিবা থিয়েটর অমদি কলচরেল গ্রুপশিংনা শরুক য়াবীনবগীদমক দ্রামা কম্পিটিসনগী ওইনা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম এপ্রিল ৭কী নুংথিল পুং ১ ওইগনি। দ্রামা কম্পিটিসনগীদমক লোট্টরিসু নুমিৎসিদা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৯৬১২৫৭৩১১৪, ৭০০৫১৬৫৬৮৮ দগী খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

Near, Khongjom War Memorial

GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073

HL-P/10145/31/3-9/4

[illegible]

SASHI COACHING CENTRE

Khurai Ahongei Leikai, OPP. Babina Diagnostic, JNIMS Road

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN KHURAI SOIBAM LEIKAI

ADMISSION OPEN

XII FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)

Subjects offer:

Physics, Chemistry, Mathematics, Biology, Home Science, English and Manipuri

Class Starts on: 15th April 2024

Class Timing: Evening (4:00 to 8:00)

SPECIAL FEATURES :

- Updated study materials & Previous years questions
- Expected Questions for upcoming exams
- Unit- wise test & Mock Test
- Experience and expert faculties
- Affordable course fee

Available: Hostel (Boys & Girls) + Van Services

For more information, please visit, Sashi Coaching Office: +917005023985, +917005329252

HL-P/10326/2 to 13 April

KINGDOM® INSTITUTE

[illegible]

Recognized by Ministry of Corporate affairs, Govt.of India

An ISO 9001:2015 Certified Institute

Special Class

for X, XI, XII Appeared Students

IT & SKILL COURSES

- Computer (3,6 Months)
- Spoken Hindi
- Spoken English

Skill India

Transforming the skill landscape

N·S·D·C National Skill Development Corporation

AVIATION COURSE

6th Batch - 13th May, 24 (1 Year)

- CABIN CREW
- GROUND STAFF

OUR RECENT CHAMPIONS

M. Prakash
Shatlela
Th. Umakanta
L.Romcha
L.Devan
Kh. Sanjoy
N. Malemkhomba
Divya Salam
S.Prasay
S.Jayshree
N. Bikash
W. Aganba
Kh. Roshan
L. Boby
JAYALUXMI
H.TUNANBI
DELPHIA
NG.ELINA
L.HENTHOISANA
L. Bicjit
PH. GOLDY
H. OMILA
L.TOMTHINGANBI
N. JEENA
A.LINGTHOI
Kh. Rupachandra
IndiGo

(1) MPP Complex, Paona Bazar Behind Pologround

(2) Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)., Old Lambulane, Opp. GP Women's College

7005776944 / 8837407726

HL-B/8609/7,9 to 25 Alt.

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৪।০৪।২০২৪ ইং, শগোলশেল; নুংথিল পুং ৪.১৫ ফাওবা লমতাগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পাল্লনি।

মেষ: লাইবক ফবা, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংজবা, অয়েৎ-অপন কোকচবা নুমিৎনি। অঙম্বনা কোয়শেল শেন্নৈ-পঙথগনু, তম্থগনু।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: নক্লবনা লান্না পাউথোকপী-চরাংগনু। ওইজ-ওইথক তানবদি মীকোক থোংগনি, মরুপ-মপাংশিংগা লোয়নবা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিথুন: ইচঙ থৌবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি, পাঙনীংবা থবক পাঙগনি। নচাক-নরল চেকশিন্দবদি ফত্তে।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কর্কট: শোক-পনবা য়াবা লৈ-নিংঙাই শংদানগনু, অফা-অপুন্নবদগী চেকশিল্লু। মরুপ-মপাং লোয়নবদি থোইনা কান্নজগনি, লন ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- ঙাংবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: অকিবা পোকপা, মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলসু লাইবক ফরনি, নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজগনি। লান্দবনা অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: অরিবা হান্নদৈ পাঙলকপা নত্তনা অনৌবা থৌরমদা খূৎচাও থাগনু। নোল্লুকপা, মীয়াম্না য়ানবা চৎচবনা খ্বাইদগী শিংবা ওইগনি।
লৈশা পাখংগী- মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: অশাওবা অমদি চিন কনবগী শোক-পনবা অমদি চোপ্পা নত্তনা করিসু কান্নরোই। পাঙলিবা থবক্তুদা খাঙবা কন্না চঙশিল্লু-ফরক্কনি।
লৈশা পাখংগী- পূকচেল পীকশিনগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: লাইবক ফবা, নথক থোংবনা চানবীবা, ঙাংথোকপদা থাগৎপিবা নুমিৎনি। লৌশিং ৱাৎপা অমদি খুরৌ থাংবদি লৈরি-তপথৌ।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: নাইতোম ৱারেপ লৌগনু, শক খঙদবা লোয়নগনু, পাউ নুংঙাইতবা তাগনি। মীয়ামগা লোয়নবদি কান্নজগনি, য়েক্লবা লাকশিনগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মকর: মফম ফংগনি, মীকোক থোংবা ঙমগনি-নীংহন্নরনু। মরুপ-মপাংনদি নরলদা মীতাবা, নকম্থিনা নরল ফোইদৎপা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- হেন্না আশা চাউরুখিনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: খোয়রাং-খোয়শাওবা, হকচাং নুংঙাইতবা/খুরৌ থাংবা খরদি লৈ-খাঙবা কল্লু। অরং-অরাক্তি ফংগনি, পোরম শীনবা হৈগনি।
লৈশা পাখংগী- হেন্না আশা চাউখিনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

মীন: নীংবা থুংগনি, খনবদুমক পাঙবনা ওইজবা ফংজগনি। লাল্লনু, লৌশিং ফুদোকউ-নঙবু ঙম্বীনবা লৈরোই। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।